## পুলিস কষ্টদি লৌখ্রে...

*লামায় ১গী মখা...* হুরানবগী থৌদোক অসি জুন ৩০, ২০২১গী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ লোম তারকপদা থাংমৈবন্দ তরুংগী হেপ্পি ভেল্লিদা লৈবা থোটরৈশং (২২) অপোকপা এস অঙমগী য়ুমদা থোকখিবনি হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা থোটরৈশংনা জুলাই ১, ২০২১দা লম্ফেল পুলিস ষ্টেসন্দা কমপ্লেন্ট রিপোর্ট অমা ফাইল তৌরকখি। রিপোর্ট অদুগী মতুংইন্না লম্ফেল পি এসনা থৌদোক অদুগী মতাংদা ইনক্কারি চথনবা ইম্ফাল ৱেষ্টকী সাইবর ক্রাইম য়ুনিটতা ফোরৱার্দ তৌখি হায়রি। মতমদুদগী সাইবর ক্রাইম য়ুনিটনা হুরানখিবা লেপটোপ অমসুং টেলিফোন অদুগী য়াওনা পোৎলমশিং অসিবু হুরানখিবা মীওইশিং অদুগী খোঙ্গুল লীদুনা লাকখিবনি হায়রি। অদুবু ঙসি সাইবর ক্রাইম য়ুনিটকী সব ইন্সপেক্টর অসিনা লুচিংবা টিমনা মায় পাক্না মীওই অসি ফাগৎপা ঙমখিবনি। মহাকপু হেক ফাগৎপগা পন্থদনা লম্ফেল পি এসতা খুৎশিন্নবদগী পি এস অসিনা আই পি সীগী সেক্সন ৪৪৮, ৩৮০, ১২০-বি, ৩৪গী মখাদা কেস এফ আই আর নম্বর ১১০ (৮) ২০২১ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখি। লোয়ননা থৌদোক অসিদা চৈন্নে হায়না ফারবা মীওই অসিগী মচিন্দগী খঙলবা অতোপ্পা মীওই ২ ফাগৎকদবা ৱাৎলিবগা লোয়ননা কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেসন মখা তানা চথগদবা লৈরিবনা মীওই অসিবু থা অসিগী ২৩ ফাওবা নুমিৎ ৪নিগী পুলিস কষ্টদি রিমান্দ পীবিনবা প্রেয়র তৌরদুনা দ্যুটি মেজিষ্ট্রেটকী মমাঙদা পুথোরকখিবদা অয়াবা পীখ্রে হায়রি।

### FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 86.849026 |
| US Dollar | 74.402776 |
| British Pound | 101.290784 |
| Australian Dollar | 52.994630 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.450208 |
| Japanese Yen | 0.678604 |
| Malaysian Ringgit | 17.556254 |
| Singapore Dollar | 54.550720 |
| South Korean Won | 0.062874 |
| Saudi Arabian Riyal | 19.840740 |
| Thai Baht | 2.229933 |

### Spot Gold (24K) Rates/10gm

| | | | |
|---|---|---|---|
| Chennai | – | Rs | 46931.00 |
| Mumbai | – | Rs | 47300.00 |
| Delhi | – | Rs | 47194.00 |
| Kolkata | – | Rs | 47525.00 |

### GAS NEWS

**M/S R & H INDANE SERVICE IRILBUNG**
Only Home Dellivery
Booking Upto 11/06/2021
Valid from 01/06/21
**Stock 306 nos.**
Office contact numbers
8414824977, 8413936705
Call timing 8 am to 12 noon
Sunday closed

**KHORIPHABA NAMBOL**
**Bk.upto 02-08-21**
**(sl.no 51633)**
home delivery contact :
8974087390, 9366471778, 878632782

**M/S MANIPUR POLICE GAS SERVICE**
**BOOKING UPTO 04/06/21**
Valid from 02/06/21
Time: 07 am to 10 am
Any enquiry and booking
Contact no. 7629045883

**TANGLEI GAS OINAM**
V/f- 04-08-21
**B/upto - 05-08-21**
**Stock 306**
7am to 10am

**HRANGCHAL GAS AGENCY**
VALID FROM: 16/06/2021
**BOOKING UPTO: 24/06/2021**
BOOKING AND ENQUIRY ONLY: 03852444677
(KINDLY UPDATE LATEST MOBILE NO)
TIMING: 8:00AM to 12:00 PM
(HOME DELIVERY ONLY)

**KHUMBONG INDANE**
**Booking upto 22-07-21**
Valid from 20-07-21
Only home delivery within 4 days
Office no. 8794313865
Home delivery contact no.
7005013837, 9366008621
Whatsapp no.8794973019
Time 7.30am to 11.am

**MM GAS SERVICE**
HOME DELIVERY ONLY
NO PHONE CALLS
ONLY SMS OR WHATSAPP
TIMING 8:00 AM TO 12:00 NOON
**BK. UPTO DATE**
FOR ALL IMPHAL-WEST & IMPHAL-EAST
8131942156 (SMS/ WHATSAPP)
7085198900(ENQUIRY)
FOR ALL THANGMEIBAND & LAMPHEL 9089370369, 9774443052
FOR ALL LANGOL AREA 7085977502
DELIVERY WITHIN 3 TO 5 DAYS

**CANCHI INDANE SERVICE**
**BOOKING UPTO 13/07/21**
VALID FRROM NIL
19kg & 5kg UJJAWALA AVAILABLE
HOME DELIVERY ONLY
DELIVERY WITHIN 4 DAY
KWAKEITHEL 6009600531
NAOREM LEIKAI 9863763938 & 7005352782
CONTACT TIMING 08.00 to 10.00am

**M/s K&K INDANE SERVICE,**
home delivery only
**Booking uptodate**
Call Timing : 8am To 12noon
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL-9362663937.
*SAGOLBAND TERA & SURROUNDING
70057 07605, 9863654574, 9774213728, 9089519886.
TIDDIM LINE -9774213728*
TAKYEL LANGJING,PATSOI AREA/ 8258856407
*KONTHOUJAM A/c
9863201839, LAMSHANG A/C - 9612493837.
Enquiry no. 9856134465.

**HIYANGTHANG INDANE.**
**Booking 10-07-21.**
Valid.06-07-21.
**Stk.-306.**
Timing 7.a.m.to 11.a.m.
Only home delivery Service.
Contact no. Office no.
6381538861. 8414043907.
Whatsapp.no. 6009260971.

## মপুরোইবা লৈত্রবী নুপী ৬০দা তেংবাংখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ২০ (ঐচএনএস): আই জি এ আর (ইষ্ট) কী ২২শুবা সেক্টরগী মখাদা লৈরিবা জ্বালামুখি বট্টালিয়নগী বি কম্পেনিগী পর্সনেলশিংগা ওল মণিপুর নুপী মরুপ, সেকমাই এরিয়া কম্মিটি (লোইতাংখুনৌ ব্রাঞ্চ) কা খুৎশম্নদুনা কোভিদ-১৯ সেকেন্দ ৱেভকী পেন দমকিনা খম থেংনা অৱাবা চৈথেং পীরবা খুল অসিগী মপুরোইবা কায়নখ্রবী নুপী ৬০দা চান-থক্নবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে হায়রি।

মপুরোইবা লৈত্রবী লোইতাংখুনৌগী নুপী ৬০দা নোংমগী পুন্সিদা চঙদবা য়াদ্রবা চান-থক্নবা পোৎলমশিং খুৎশিন্নখিবগী থৌরম অসি থা অসিগী ১৯গী নুমিৎযুংবা মতুং পুং ১২.৩০ রোম তারকপদা পাঙথোকখিবনি হায়না নেসনল ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ন ৱিমেন (এন এফ আই দব্লিয়ু) দা এফিলিএসন তৌরিবা ওল মণিপুর নুপী মরুপকী সেক্রেটরি এম পুর্নিমাসিনা থোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## মণিপুর (ঐচ এ) এ দি সী বিল-২০২১ লৈঙাক্তা পীশিনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২০ (ঐচএনএস):

চীংগী লমশিংগীদমক মণিপুর (হিল এরিয়া) ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাওন্সিল বিল-২০২১ শেমদুনা দ মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি (হিল এরিয়া কম্মিটি)না মণিপুর লৈঙাক্তা পীশিনখ্রে হায়না হিল এরিয়া কম্মিটিগী চ্যেরমেন লৈসিও কৈসিংনা ঙরাং ইম্ফালগী ক্লাসিক গ্রান্দেদা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা হায়, কুমজা ১৯৭২দা মণিপুরনা ষ্টেটহুদ ফংখিবা মতমদা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংগীদমক কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াদা আর্টিকেল ৩৭১ (সী) হাপ্লম্বনি। মসিগী মখাদা এ দি সী অসি লাকখি। অদুবু এক্ট অসি ফজনা শেমদবনা হিল এরিয়া পূম্নমক্কী মহুৎ শিন্নগা হিল এরিয়া কম্মিটিগী মায়কৈদগী থা অসিগী ১৬তা বিল অমা শেম্লগা মণিপুর লৈঙাক্তা পীখি হায়রি।

মীফম অদুদা য়াওবা কম্মিটিগী মেম্বর টি এন হাওকিপনা হায়, হান্না শেম্লম্বা হৌজিক লৈরিবা থায়নগী অইবা এক্ট অসিদি অদুমক খোৎল-খোৎলগা লাকই। মসি ইমপ্লিমেন্ট তৌবা মতমদা চীংগী লমদা খরা খুদোংচাদবা লৈবনা হান্নগী এক্ট অসিদগী খরা শেমদোক্লগা চীংগী লমশিংদা চাওখৎপগী খুদোংচাবা য়াওহল্লবা মতুংদা লৈঙাক্তা পীশিনখিবনি হায়রি।

বিল অসি মতম কয়া চঙনা শেম্লকপনি। মসিদা চীংমীশিংদা হেন্না কান্নবা অমসুং চাওখৎ লম্বী অমা পুরক্কনি। হায়রিবা বিল অসি এসেমব্লিদা পাস তৌদুনা এক্ট ওইনা চৎহল্লবদি ট্রাইবেলশিংগী দিভলপমেন্ট অমসুং হিল এরিয়াগী দিভলপমেন্ট লাক্কনি হায়না আশা থম্মী। কম্মিটি অসি কে লৈসিওনা চ্যেরমেন ওইবগা লোয়ননা লেটপাউ হাওকিপ, লোসি দিখো, অৱাংবৌ ন্যুমাই, বুংজাগিল বালতে, গাইখাঙম, টি এন হাওকিপ, ঙমথং হাওকিপ, ভি হংখালিয়ন, ডা. চালতোলিয়ন অমো, দি করুংথাং, দি দি থাইসি, নেমচা কিপগেন, এন কাইসি, গিনসুহাও, য়ামথোং হাওকিপ, কাসিম বাসিম, অলফ্রেদ কনঙম অথরনা মেম্বর ওইরি।

## য়ুঙৌ লিটর ৩০৫গা কোন্ননা ৩ ফারে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২০ (ঐচএনএস):

ইম্ফাল ৱেষ্ট পুলিসকী এস পি ডা. এস ইবোমচাগী মীৎয়েং মখাদা পাৎশোই পুলিসকী অপূনবা টিম অমনা খুম্বোং কৈথেলগী কম্যুনিটি হোল মনাক্তা লম্বীদা অচৎ-অওকশিং চেক তৌবদা অঙৌবা মচুগী বোলেরো এম এন ০১-এ জি/৭১১০ অমদগী য়াল্লবা য়ুঙৌ লিটর ৩০৫গা কোন্ননা মীওই অহুম ফারে হায়রি।

থা অসিগী ১৯গী নুমিদাং পুং ১০.৩০ রোম তাবা মতমদা তাইরেনপোকপী অমদি ঙাইরাংবমগী মরক্তা য়ু পুথোক-পুশিন তৌরে হায়বা চপ চাবা পাউ অমা ফংবদগী পাৎশোই পুলিসনা মখোয়না লাক্কদবা লম্বীশিংদা চেক তৌদুনা লৈখি। মদুদা য়ু পুদুনা লাকপা তাইরেনপোকপী অৱাং লৈকায়দগী নিংথৌজম সুরেশ (৩০) অপোকপা লৈখিদ্রবা এন ইঙোচা, লৈকায় অসিমক্তগী নিংথৌজম খোম্বা (৩২) অপোকপা এন অঙাংজাও অমদি নিংথৌজম রোরিস (৩০) অপোকপা লৈখিদ্রবা এন গোপালনি। মখোয়দগী পূন্না য়ুঙৌ লিটর ৩০৫ ফাগৎপা ঙমখি। পাৎশোই পুলিসনা য়ুঙৌগা কোন্ননা ফারবা মীওই অহুম অদু এক্সাইজ ওফিসতা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

## সিটিং ৩খক লৈগদবা নোংজু মীফম হৌখ্রে...

*লামায় ১গী মখা...* লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী সেক্রেটরি ওইরম্বা থাংজম মেঘরাজনা লৈখিদবা অসি ষ্টেট অসিগী ওইনা অচৌবা মাঙজবা অমনি হায়খিবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবদসু শরুক য়াখি।

ওর্বিচ্যুরি রিফরেন্স পীবা অদুদা শরুক য়ারদুনা ওপোজিসন লিদর ওক্রম ইবোবীনা লৈখিদ্রবা লোক সভাগী এম পি ওইরম্বা পাওকাই হাওকিপনা এম পি অমা ওইনা লৌরম্বা থৌদাংশিংবু শীংথাদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি। লোয়ননা লৈখিদ্রবা কৈশামথোং এ সীদগী লাইশোম ললিত, লমশাং এ সীদগী ৱাংখৈময়ুম ব্রজ বিধু, ওইনাম এ সীদগী ডা. আই ইবোহলবী, কৈরাও এ সীদগী থাংজম নন্দকিশ্বর, কারোং এ সীদগী পুরুল সেপু হেনরি পাওতে, ক্ষেত্রিগাও এ সীদগী ভিবেকরাজ ৱাংখেমনা হাউস অসিগী মেম্বর ওইরিঙৈ মতমদা লৌরম্বা থৌদাংশিংবু শীংথাখিবগা লোয়ননা মীওইশিং অসিগী তোপ-তোপ্পা মতিক ময়াইশিংবুসু শীংথাখি। লোয়ননা মীওইশিং অসিনা লৈখিদবা অসি ষ্টেটসিগী মাঙজবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ওর্বিচ্যুরি রিফরেন্স পীখিবা অদুদা মিনিষ্টর এস রাজেন, এম এল এ এ কে মিরাবাই, এম এল এ করাম শ্যাম, এম এল এ নহাকপম ইন্দ্রজিৎ, এম এল এ এল রাধাকিশ্বর, এম এল এ দি দি থাইসি, এম এল এ কে রঞ্জিৎ, এম এল এ টি ঐচ লোকেশ্বর, এম এল এ এন লোকেন অমসুং দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমারসু শরুক য়াখি। তুংদা হাউসকী মেম্বরশিংনা লৈখিদ্রবা হান্নগী এম পি, হাউস অসিগী মেম্বর ওইরম্বশিং অমদি হান্নগী এসেমব্লী সেক্রেটরিগী মফমদা মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ঈকায় খুম্নবা উৎখি।

## লেংগ্বেজ দেগী থৌরম পাঙথোক্লখ্রে...

*লামায় ১গী মখা...* শিৎনা মরী শাগৎতুনা লাক্লি। থৱায় পানবা খুদিংমক অমগা অমগগী মরক্তা মরী শাগৎনবা তোঙান তোঙানবা মখল কয়াগী পাম্বৈশিং শীজিন্নে। মীওইবগীদি লোল অমদি লৌশিং শীজিন্নদুনা ঐখোয় মশেল ফাওদোক্লনবগী পাম্বৈ লৈ। ঐখোয়গী লোল অসি মালেমগী ওইনা অমদি লৈবাক্কী ওইনা য়েংবা মতমদা য়াম্না পিকপা মীওই কাঙলূপ খরনা ঙাঙনবা লোল ওইনা লৈরি। অদুবু মীওই কাঙলূপ খরখক্তনা ঙাঙনরিবা ঐখোয়গী ইমালোল মীতৈলোল অসিনা লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুসনগী ওফিসল লেংগ্বেজ ৪০গী মনুংদা অমা ওইরিবসি চাওথোকচনীংঙাইনি হায়খি।

লোল অসি মীওই খরখক্না ঙাঙনবা লোল ওইরবসু মসিবু তমদুনা অমদি চাওখৎনবা, অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবগী খুদোংচাবা কয়া লৈরি। হৌজিকসু ইমা লোল অসিবু নুংশিবীবা অমদি চাওখৎনবা লূপ কয়ানা মরী লৈনবা লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট, দিরেক্টোরেটশিংদা মতম মতমগী ওইনা হোৎনহল্লক্লি। অদুবু খোঙথাংশিং অসি লোলগা মরী লৈনবা খঙ হৈরবা কয়া তান্নদুনা হেন্না মপূং ফানা চাওখৎহন্নবা হোৎনবগী মথৌ তাদবা নত্তে। ঐখোয় পূন্না হোৎনমিন্নবা চঙই হায়খি।

মণিপুরী লোল অসি ওফিসল লেংগ্বেজ এক্ট, ১৯৭৯গী সেক্সন ২দা য়াওবগী মতুংইন্না দিরেক্টোরেটনা ইনিসিএটিভ লৌজরগা হোৎনরকপনি। মণিপুরী লোল অসি হান্না বঙ্গালি স্ক্রিপ্টতা লৈরম্বা অদু মণিপুর লৈঙাক্না কুমজা ২০০৬-০৭তগী বঙ্গালি স্ক্রিপ্টতা শীজিন্নরম্বা অদ মীতৈ ময়েক্তা ওইনা শীজিন্নরগা য়ুনিভর্সিটিগী লেভেল ফাওবা তমদুনা লাক্লে। অমরোমদা লোল অসি অমেস্কোনা এনদেঞ্জর্দ লেংগ্বেজ ওইরে হায়দুনা ফোঙদোকখিবসু লৈরে হায়খি।

থৌরমগী চীফ গেষ্ট ওইখিবা এদ্যুকেসন কম্মিস্নরনা লোল অসি লৈবাক অসিগী ৮শুবা সেদ্যুলদা চন্দুনা শক খঙবীরে অমসুং ইকায় খুম্নবীরে। মখা তারকপদা মতৌ করম্না চাওখৎহনগদগে হায়বদুগী মতাংদা হোৎনবা চঙই। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী খন্ন নৈনবদা শরুক য়াবীয়ু অমদি সজেসন পীবিয়ু হায়খি।

থৌরম অসিদা শরুক য়াখিবা মীলালগী প্রসিদেন্টনা ফোঙদোকখিবদা, লৈবাকসিগী পার্লিয়ামেন্টতা ৱারেপ লৌবা মতমদা লোল অসি ৮শুবা সেদ্যুলদা চল্লবনিনা লোল অসিনা ৱারেপ লৌবা য়ারবনি। লমদম অসিদগী চৎখিবা এম পিশিংসু মীতৈলোল ঙাঙবা য়ারবনি অদুবু ঙাঙদে। মসি করিগীনো হায়বদা ঐখোয় ইশানা ইশাবু শক খঙজদে হায়বনি। ইশাগী লোল অসি ইশানা শীজিন্নদ্রগদি তপ্না তপ্না মাঙখিগনি হায়খি।

এম য়ুগী প্রোফেসর এন সনাতোম্বনা ফোঙদোকখিবদা, ক্লাস সিক্সতগীনা আইট ফাওবদা তম্লিবা মহৈরোয়শিংনা পাউচে পাদ্রবদি উতোং অহোবগা পাঙ্খকনি। স্কুল কোলেজ দগী য়ুনিভর্সিটিনচিংবা ফাওবদা চৎলগা মেগাজিননচিংবা পাদবা মী অদু মনুং ইহো হোবা ওইগদৌরিবনি। মরম অদুনা হান্না বঙ্গালি স্ক্রিপ্টতা ফোঙলম্বা পাউচেশিং অসি হৌজিক মীতৈ ময়েক্তা ফোঙবা য়ারবনি হায়খি।

অমরোমদা, দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট ইম্ফাল ইষ্টনা অকক্লবা পুং ৩ খক্তগী মতম পীরবসু মসিদগী হেন্দোক্লা মণিপুরী লেংগ্বেজ দে ষ্টেট লেভেল সেলেব্রেসন কম্মিটিনা পেলেস কম্পাউন্দগী ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দা পাঙথোকখিবা থৌরমদা সেলেব্রেসন কম্মিটিগী চ্যেরমেনসু ওইরিবা কৈশামথোং এ সীগী এম এল এ লাংপোকলাকপম জয়েন্তকুমারনা পোলিটিকেলগী অখুবা মীৎয়েং থাদোক্লগা ঐখোয়গী ইমালোল অসিদি লৈতবা য়াদে হায়দুনা চাওখৎনবা হোৎনমিন্নসি। ক্লাসিকেল লেংগ্বেজগী থাক্তা লৈহন্নবা হোৎনসি। ক্রেদিট লৌনীংবা মীনা লৌজসনু। ক্রেদিট পাম্বদগী খাইবুং খাইবুং তাবগী মহুত্তা অঙম্বা থাক্তা হোৎনমিন্নসি। অহল লমন্না থম্বীরম্বশিং অসি ঐখোয়না ঙাকপা ঙমদ্রবদি করি কান্নগনি হায়খি।

হৌজিক পোলিটিকেলগী মীৎয়েংদা ভোট কাবা, লৈঙাক পায়বা হায়বগী ৱাখল্লোনসিদি মচানি। ঐখোয়গী ইমালোল থমহৌবা, লৈহৌদবা য়াদে হায়বসিদা মীৎয়েং থম্বীবা চঙই। পার্টি হায়বসিদি এন পি পি, কোংগ্রেস, বি জে পিসু ওইসনু লৈঙাক লৈবা য়াই, লৈতবা য়াই। হৌজিক এসেমব্লি লৈরগসু ইমালোলগীনি খন্দুনা মহাক থৱায় য়াওনা শরুক য়ারিবনি হায়খি।

ক্লাসিকেল লেংগ্বেজদা চনবগী ক্রাইটেরিয়া মচাক শুনা য়াওরবা লোলনি। মরম অসিনা মরী লৈনবা কম্মিটিনা য়েংশিন্দুনা ক্লাসিকেল লেংগ্বেজগী থাক্তা চন্নবা হোৎনগদবনি হায়খি।

থৌরম অদুদা হান্নগী এম এল এ তোংব্রম মঙ্গিবাবু অমসুং অরিবম কুমারসু শরুক য়াখি।

অমরোমদা, ঙসিগী ৩০রক শুরকপা মণিপুরী লোলগী নুমিৎ অসি ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন্নসু শীন্দুনা পাঙথোকখি।

এমসু ময়ায় লোয়শঙদা পাঙথোকখিবা থৌরমদা হান্না এম য়ুগী ভি সী ইন চার্জ ওইরম্বী প্রোফেসর সনাতোম্বী, এমসুগী প্রসিদেন্ট হাওবিজম চলাম্বা মীতৈ অমসুং এম য়ুগী এসোসিএট প্রোফেসর ডা. চিরোম রাজকেটননা মথংশিংনা অথোইবা মীথুংলেন, থৌরম মপু অমসুং অখন্নবা মীথুংশিং ওইখি।

## অহৌবা নুমিৎতা হাওসনা বিল ৭ পুথোকখ্রে...

*লামায় ১গী মখা...* (রিম্যুভেল ওফ দিসক্কালিফিকেসন) (সিক্স এমেন্দমেন্ট) বিল ২০২১ (বিল নম্বর ১৮ ওফ ২০২১), দি মণিপুর (কোর্টস) (সেকেন্দ এমেন্দমেন্ট) বিল ২০২১ (বিল নম্বর ২৩ ওফ ২০২১) অমসুং দি মণিপুর সোপস এন্দ ইষ্টাব্লিসমেন্টস (রেগুলেসন এন্দ ইমপ্লোয়মেন্ট এন্দ কন্দিসন্স ওফ সর্ভিস) বিল ২০২১ (বিল নম্বর ২২ ওফ ২০২১)নি।

মণিপুরগী গভর্ণরনা এসেন্ট পীরকখ্রবা বিল ১৭ মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী সেক্রেটরিগী মহুৎ শীন্দুনা এদিসনল সেক্রেটরি ৱাই সমরেন্দ্রনা হাউসতা ইন্টিমেট তৌখ্রবা বিলশিং অদুদি দি মণিপুর এপ্রোপ্রিএসন (নম্বর ১) বিল ২০২১ (বিল নম্বর ১০ ওফ ২০২১), দি মণিপুর এপ্রোপিএসন (নম্বর ৩) বিল ২০২১ (বিল নম্বর ১২ ওফ ২০২১), দি মণিপুর এপ্রোপ্রিএসন (নম্বর ২) বিল ২০২১ (বিল নম্বর ১১ ওফ ২০২১), দি এসিয়ন ইন্টরনেসনল য়ুনিভর্সিটি, মণিপুর বিল ২০২১ (বিল নম্বর ১ ওফ ২০২১), দি মণিপুর গুদস এন্দ সর্ভিসেস টেক্স (থর্দ এমেন্দমেন্ট) বিল ২০২১ (বিল নম্বর ১৩ ওফ ২০২১), দি মণিপুর ফিস্কল রেস্পোন্সিবিলিটি এন্দ বডজেট মেনেজমেন্ট (সেকেন্দ এমেন্দমেন্ট) বিল ২০২১ (বিল নম্বর ১৪ ওফ ২০২১), দি মণিপুর প্রাইভেট য়ুনিভর্সিটিস বিল ২০২১ (বিল নম্বর ৩ ওফ ২০২১), দি মণিপুর লেজিসলেচর (রিম্যুভেল ওফ দিসক্কালিফিকেসন্স) (ফিফ এমেন্দমেন্ট) বিল ২০২১ (বিল নম্বর ৪ ওফ ২০২১), দি মণিপুর এগ্রিকলচরেল প্রদ্যুস এন্দ লাইভষ্টোক মার্কেটিং (প্রমোসন এন্দ ফেসিলিটেসন) বিল ২০২১ (বিল নম্বর ৫ ওফ ২০২১), দি মণিপুর পব্লিক সর্ভিসেস দেলিভরি গরেন্টি বিল ২০২১ (বিল নম্বর ৬ ওফ ২০২১), দি মণিপুর ইন্দষ্ট্রিএল সিঙ্গল ৱিন্দো ক্লিয়ারেন্স বিল ২০২১ (বিল নম্বর ৭ ওফ ২০২১), দি মণিপুর ওফিসল লেংগ্বেজ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০২১ (বিল নম্বর ৮ ওফ ২০২১), দি কোর্ট ফিস (মণিপুর এমেন্দমেন্ট) বিল ২০২১ (বিল নম্বর ৯ ওফ ২০২১), দি মণিপুর ওইল পাল্ম (রেগ্যুলেসন ওফ প্রদক্সন এন্দ প্রোসেসিং) বিল ২০২১ (বিল নম্বর ১৫ ওফ ২০২১), দি মণিপুর কঞ্জার্ভেসন ওফ পেদ্দি লেন্দ এন্দ ৱেটলেন্দ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০২১ (বিল নম্বর ১৬ ওফ ২০২১) অমসুং দি মণিপুর ষ্টেট প্লান্নিং ওথোরিটি বিল ২০২১ (বিল নম্বর ১৭ ওফ ২০২১)নি।

মীফম অদুদা মণিপুরগী গভর্ণরনা কুমজা ২০২১গী জুন ৩০দগী চৎনহনখ্রবা দি মণিপুর ফিস্কল রেস্পোন্সিবিলিটি এন্দ বডজেট মেনেজমেন্ট (থর্দ এমেন্দমেন্ট) ওর্দিনান্স ২০২১ (মণিপুর ওর্দিনান্স নম্বর ২ ওফ ২০২১) ফাইনান্সকী চাজ সু পুরিবা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমারনা হাউসতা টেবল তৌখি। অদুগা কুমজা ২০২১গী ওগষ্ট ২দা গভর্ণরনা চৎনহনখ্রবা দি মণিপুর (কোর্টস) (সেকেন্দ এমেন্দমেন্ট) ওর্দিনান্স ২০২১ (মণিপুর ওর্দিনান্স নম্বর ৩ ওফ ২০২১) অমসুং কুমজা ২০২১গী জুন ২৯দগী গভর্ণরনা চৎনহনখ্রবা দি মণিপুর সোপস এন্দ ইষ্টাব্লিসমেন্টস (রেগ্যুলেসন ওফ ইমপ্লোয়মেন্ট এন্দ কন্দিসন্স ওফ সর্ভিস) ওর্দিনান্স ২০২১না লো এন্দ লেজিসলেটিভ এফেয়র্স অমসুং লেবর এন্দ ইমপ্লোয়মেন্টকী মিনিষ্টর টি ঐচ সত্যব্রতনা হাউসতা টেবল তৌখি।

প্রজেন্টেসন ওফ কম্মিটি রিপোর্টকী মতমদা হাউসকী লিদরসু ওইরিবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা বিজিনেস এদভাইজরি কম্মিটি ২০২১গী ১৬শুবা রিপোর্ট প্রজেন্ট তৌখিবগা লোয়ননা কম্মিটি অসিনা প্রপোচ তৌবা টাইম এলোকেসনসু মুভ তৌখিবগা লোয়ননা হাউসনসু এদোপ্ট তৌখি।

কম্মিটি ওন প্রিভিলেন্স এন্দ ইথিক্স মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী চ্যেরমেনসু ওইরিবা দেপ্যুটি স্পিকর কে রোবিন্দ্রোনা কম্মিটি অসিগী ৩৫শুবা রিপোর্ট অমসুং কম্মিটি ওন গভর্ণমেন্ট এস্যুরেন্সেস মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী চ্যেরমেন ওইরিবা এম এল এ, টি ঐচ রাধেশ্যামনা কম্মিটি অসিগী ১৯শুবা রিপোর্টসু হাউসতা টেবল তৌখি।

## মণিপুরী লোলবু ক্লাসিকেল লেংগ্বেজগী ...

*লামায় ১গী মখা...* ৭শুবা লোল ওইগদৌরিবনি। লোল অসিগা ইরোয়ননা হৌজিক চৎনরিবা মীতৈ ময়েক অসিসু ইন্দিয়াগী শেল ময়েক্তা হাপ্পীনবা হৌখিবা ফেব্রুৱারী ১২দা পার্লিয়ামেন্টতা তকশিনখি। মণিপুরী লোলবু ক্লাসিকেল লেংগ্বেজগী থাক্তা চলহন্নবা পার্লিয়ামেন্টতা পুখৎখিবগী চৈরক অসিদা ইন্দিয়াগী লোল খরসু ক্লাসিকেল লেংগ্বেজগী থাক্তা চলহন্নবা কন্না হোৎনরক্লি। লোলশিং অসি চন্দ্রিঙৈদা ঐখোয়গী লোলনা হান্না চলহৌনবা হোৎনসি। করিগুম্বা মণিপুরী লোলনা ক্লাসিকেল লেংগ্বেজগী থাক্তা চলহৌবা ঙম্লবদি লৈবাক অসিগী ৭শুবা ক্লাসিকেল লেংগ্বেজগী থাক্তা চনবা লোল ওইগদৌরিবনি। মরম অদুনা গভর্ণমেন্ট অমদি মরী লৈনবা লোয়শঙশিংনা থৱায় য়াওনা চেনবীবগা লোয়ননা মীয়াম অমদি অখঙ অহৈশিংনা কন্না হোৎনদুনা ক্লাসিকেল লেংগ্বেজগী থাক্তা চলহৌনবা হোৎনমিন্নসি। লোল অমসুং ময়েক্কীদমক হোৎনবিরম্বা অমদি হোৎনবীরিবশিংগী মফমদসু ইকায়খুম্নবা উৎলক্লি।

মহাক্না মখা তানা হায়, মণিপুরী লোল (মীতৈ লোল) অসি ওগষ্ট ২০, ১৯৯২দা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী ৮শুবা সেদ্যুলদা চনখিবনি। নুমিৎ অসিদা মণিপুরী লোল, নেপালি অমদি কোনকানি হায়রিবা লোল অহুম অসিসু সেদ্যুলসিদা চনখি। মসি ইরায় লায়না চনখিবা নত্তে, মীয়ামগী অচৌবা ঈহৌ কয়া মতম শাংনা চথরবা মতুংদা লোলশিং অসি নুমিৎ অসিদা ৮শুবা সেদ্যুলদা চনখিবনি হায়খি।

ইমা লোল অসিবু অৱাংবা থাক্তা থমসি হায়বগা লোয়ননা লোল অসি নীংথিনা ঙাঙসি। ইমা লোলবু ঐখোয়না হন্থবা থাক্তা অমদি চাওখৎতবা অমগুম্না লৌরবদি নোংম-নোংমগী ইমা লোল অসি শিথরক্কনি। মরম অদুনা মতম লৈবা খিবিক্তা ইমা লোল অসি শীজিন্নদুনা মালেমগী মীয়ামদা লোল অসিগী ফজবা মশক অদু খঙহনসি হায়খি।

## কোভিদনা লৈখিদ্রবশিংগীদমক মতেং...

*লামায় ১গী মখা...* শেম শাবা লৈবাক য়াম্না লৈবা নত্তে। হৌজিক ফাওবদা লায়না লাইচৎ অসি লাকশিন্নবা হোৎনবদা অখন্নবা থৌরং অমা তৌরগদি ফগনি হায়বা সাইন্টিফিকেল্লি ওইবা ৱাফম লৈত্রি। লাক্লিবা ফীভম খুদিংমক থেংনবা তাবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী ষ্টেট অসিদা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসি থোইনা মীপাইনীংঙাই লৈতে। ষ্টেট অসিদা কোভিদকী হোস্পিটাল ৯ লৈরি। মসিগী মনুংদা হোস্পিটাল ৫ অমদি প্রাইভেট সেক্টরদনি। প্রাইভেট সেক্টরগী মঙা অসিগী মনুংদা অমদি এন জি ওনা চলাইবনি। আই সী য়ুগী ফমুং ৫০ অমসুং ভেন্টিলেটর য়াওবা ফমুং ৫০ য়াওনা পূন্না ফমুং ২০০ লৈগদবা কোভিদকী অখন্নবা হোস্পিটাল অমসু হৌজিক কন্না শেমগৎ শাগৎলি। শেমগৎ শাগৎপগী থবক অয়াম্বা লোইশিল্লক্লে। চয়োল অমরোমগী মতুংদা শঙ্গাবা য়াবগী ফীভমদা লৈরে। ষ্টেট অসিগী ওইনা ভেক্সিন কাপ্পা য়ারবা মীওইশিংগী মনুংদা চাদা ৬০ রোম হায়বদি মীওই লাখ ১১ হেন্না কোভিদ ভেক্সিনগী অহানবা দোজ কাপখ্রে। হৌজিক ভেক্সিন কাপ্তুনা লৈরিবশিং অসিসু কাপহন্নবা হোৎনবদা এম এল এশিংনসু হান্নগুম্না মখা তানা থৌদাং লৌবীরক্কনি হায়বগী থাজবা থম্মী। কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপ্লবা মতুংদা লৈখিদবা মীওই খরা য়াওখিবা অদুগী মতাংদা কূপ্না ইনভেষ্টিগেসন চথে। মদুগী রিপোর্টশিংসু সেসন অসিগী মথংগী সিটিংদা অকূপ্পা মরোলশিং থমগে। কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা লৈখিদবা অয়াম্বা কো-মোর্বিদ ওইবা অমদি ওক্সিজেন লেভেল কা হেন্না নেম্লবা মতমদা হোস্পিটালদা পুরকখিবনা অয়াম্বনি। মীয়াম্নসু লায়না লাইচৎ অসিগী লায়ওং উৎলক্লবদি মনাক নকপা হোস্পিটালদা অথুবদা চৎতুনা মতম চানা লায়েংথোকপীয়ু। লৈঙাক অসিনা লায়না লাইচৎ অসিবু থেংননবা হোৎনবদা হেল্থ ক্যের সেক্টরগী ম্যেন পৱারসু হেনগৎহল্লে। মসিগীসু মথক্তা তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট অহুমদা ওক্সিজেন প্লান্টশিং হাংদোকখ্রে। মখা তানসু অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্ট অহুমদা হাংদোক্লবা থৌরাং তৌরি। লৈঙাক অসিনা লায়না লাইচৎ অসিবু অঙম্বা থাক্তা থেংননবা হোৎনরি। অহুমশুবা ৱেভ নৎত্রগা মরিশুবা ৱেভ লাকপা তারবসু থেংননবা শেম শারি। লোয়ননা লায়না লাইচৎ অসিগী চৈথেং নংলবা ওটো, ভেন দ্রাইভরশিং, ষ্ট্রিট ভেন্দরনচিংবশিংদসু অথুবা মতমগী মনুংদা শেলগী তেংবাঙ মশা মশাগী একাউন্টকী খুথাংদা পীবা হৌরগনি। লোয়ননা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ থেংনবগী লৈঙাক্না পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং অসিগা মরী লৈনবা হ্বাইট পেপর অমা মীয়াম খঙনা থমগনি হায়নসু চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হাওসতা এসুরেন্স পীখি।

কোল্লিং এটেন্সন্দা কোভিদ-১৯গী ৱাফম কয়া পুখৎলদুনা এম এল এ কে মেঘচন্দ্রনা হায়খি, ষ্টেট অসিদা হৌজিক কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মীওই ১৭৩২ শিহনখ্রে। লায়না লাইচৎ অসিনা নারবা কয়া অমা হোস্পিটাল য়ৌবা নংদনা শিখ্রে। মণিপুরগী চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈরিবা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিংদা অনা লায়েংগা মরী লৈনবা খূৎশু খূৎলায় মতিক চানা লৈতবা অমদি আই সী য়ু লৈতবনা অনাবা কয়া লৈখিদ্রে হায়রি। হৌজিক পোজিটিভ ওইবগী চাংসু ৱাংলি। চাদা ৫গী মখাদা লৈত্রি। কোভিদ-১৯গী ফীভম অসি এলামিং ওইরি। ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা রিপোর্ট তৌরক্তনা লৈখিদবা কয়া য়াম্না লৈখ্রবগে। ইন্দিয়াগী ওইনদি রিপোর্ট তৌরক্তনা লৈখিদবা অসি চাদা ১০নি হায়না লাউথোকখ্রে। মণিপুরগী ওইনসু অনরিপোর্টেদ দেথ অসি কয়া য়ামখ্রবগে হায়বদু খঙহনবীয়ু। ভেক্সিন কাপ্লবা মতুংদা মীওই খরা লৈখিদবা য়াওই হায়রিবা অসিগা মরী লৈনবা রিপোর্টশিং খঙহনবীয়ু। লৈঙাক্না কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ থেংনবদা লাপসেস কয়া লৈবগে হায়বদু হ্বাইট পেপর ওইনা পুথোকপীয়ু হায়খি।

## ঙরাংসু ৭ লৈখিদ্রে...

*লামায় ১গী মখা...* ভেক্সিন ফর্ষ্ট দোজ কাপথোক্লবশিংনি হায়রি।

অমরোমদা, হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা অনৌবা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ কেস ৩৭২ থেংনখি। মসিগী মনুংদা অমনা সী এ পি এফনি অদুগা লেমহৌরিবা মীওই ৩৭১ অসিগী মনুংদগী নুপা ১৭৬ অদুগা নুপীনা ২০৩নি হায়রি।

ঙসিগী ওইনা পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অসিগী কেসশিং থেংনখিবা মফমশিংনা রিমসতা ২৯, জেনিমস ২২, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিংদা ২২৮ অমসুং অতৈ টেষ্টিং সেন্টরশিংদনা কেস ৯৩ থেংনখিবনি হায়রি।

পোজিটিভ ওইখ্রবশিংদি ইম্ফাল ইষ্টতগী ৭৩, ইম্ফাল ৱেষ্ট ১৩১, থৌবাল ১৭, বিষ্ণুপুর ১০, ককচীং ১১, উখ্রুল ২৩, চুড়াচান্দপুর ৪৭, চান্দেল ১, সেনাপতি ১৩, তমেংলোং ৯, জিরিবাম ২, ফেরজোল ২, কামজোং ৩০ অমসুং কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ২নি। মখোয়গীদমক্তা মাঙজৌননা লৌখৎফম থোকপা মেদিকেলগী চেকশিন থৌরাংশিংগী মনুংদা কন্টেনমেন্ট অমসুং কন্টেক্ট ত্রেসিংনচিংবগী থবকশিং লৌখৎলে হায়রি। অদুগা ঙসিগী ওইনা লায়না অসিদগী ফগৎলক্তুনা দিসচার্জ তৌখিবা মীওইশিংগী মশীংনা ৪৭৮নি। মখোয়গী মনুংদা হোম আইসোলেসন্দগী ২০০, রিমস ১৮, জেনিমস ১৩, কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংদগী ১৪৮ অমসুং কম্যুনিতি হোম আইসোলেসন সেন্টরশিংদগী মীওই ৯৯ য়াওখি।

অদুম ওইনমক তোঙান তোঙানবা মরমশিংদগী ঙসিখক্তমক দিসচার্জ তৌখ্রে হায়দুনা রিপোর্ট তৌরকখিবা মীওইশিংগী মশীংনা ১০৯২নি হায়রি। মরম অদুনা আই দি এস পি টিম, হোম আইসোলেসন টিম, কম্যুনিতি হোম আইসোলেসন অমসুং হোস্পিটালাইজেসন টিমশিংগী ঙসিগী ওইবা রিপোর্টশিংগী মতুংইন্না দিসচার্জ তৌখিবা মীওইশিংগী মশীং অসি ১৫৭০ ওইনা লৌরগনি হায়রি।

অদুম ওইনমক ঙসি নৌনা থেংনখিবা পোজিটিভ কেস ৩৭২ অসি থারগা হৌজিক ফাওবদা থেংনবা পোজিটিভ কেস মশীং ১,১০,২১৫ (জেনরেল পোপ্যুলেসন - ১,০৬,১২৯, সী এ পি এফ - ৪,০৮৬) শুরে। অপূনবা রিকোভর কেসশিংগী মশীংনা ১,০৪,১৭৩ (জেনরেল পোপ্যুলেসন - ১,০০,১৩৩ অমসুং সী এ পি এফ - ৪,০৪০) শুরে।

## মেক্সকী ফেস পেন্টিং কম্পিটিসন ...

*লামায় ১গী মখা...* মিনিষ্টর মনসুখ মন্দাভিয়ানা ভর্চ্যুএল মোদতা নুমিৎ অসিদা পাঙথোকখিবা ইন্টরনেসনল য়ুথ দেগা মরী লৈননা হৌদোকখিবনি। ফেজ ৱানগী কেম্প্যেন অসিগী মনুং চন্না পাঙথোকখিবা কম্পিটিসন অদুদা মণিপুরদগী স্কুল ৩৫ অমসুং কোলেজ ৩২ শরুক য়ানবা খনগৎখি। হায়রিবা মহৈশঙশিং অসিদগী মহৈরোয় লিশীং ১ হেনবনা পেন্টিং, ফেস কলরিং, ভিদিও কম্পিটিসনশিংদা শরুক য়াখি হায়রি। চেরোল অসিনা মখা তানা হায়বদা কেম্প্যেন অসিগী ফেজ টুগী মখাদা ব্লদ দোনেসন এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অমা লাক্লিবা ওক্টোবর ১দা পাঙথোক্কনি। অদুগা ফেজ টু অসিগী মনুং চন্না ঐচ আই ভি অমসুং ট্যুবরক্যুলোসিসকী এৱ্যের্নেস কেম্প্যেননা ফেজ ৱানদা পাঙথোকখিবগুম্না ওক্টোবর ১২দা পাঙথোক্কনি হায়রি। মসিদসু তোঙান তোঙানবা স্কুল অমসুং কোলেজগী লেভেলদা কম্পিটিসনশিং পাঙথোকখিগনি হায়রি।

## হৈরোক এ সীগী কোংগ্রেসকী ভোটর...

*লামায় ১গী মখা...* কয়া অসি উরুবদগী অমুক্তংদি মেনখৎকে হায়বগী পান্দমদা মীখল থেংনখিবনি। হৌজিকসু মীয়ামগী থৌজালদগী মীখল মায় পাক্তুনা এ সী অসিগী মীয়ামগী থৌগল তৌজরি। চহী ৫গী মতম অসি চহী ২ অমদি কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা মতম মাঙখ্রে। চহী ৩ খক মীয়ামগী থৌগল তৌজরকপদা মীয়ামগী অৱাৎপা ফনা য়াম্নদি মেনখৎপা ঙমজরে। লোইনমক পেলহনবা হায়বা অদুদি খরা ৱানা থোক্কনি। মীয়াম্না পেন্দবা কয়া লৈগনি। মদু খঙই। এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসি শেমগদবা য়াম্না ৱাৎলি। মীয়াম্না হান্নগুম মখা তানা শৌগৎপীদুনা এ সী অসি অতোপ্পা এ সীশিংদগী মাঙজিল থাবা এ সী অমা ওইহনবদা মীয়াম্না মতেং পাংবীয়ু হায়নসু এম এল এনা অপীল তৌখি।

পনবা য়াবদি, ঙসিগী বি জে পিদা য়াওরল্লকবশিংবু হরাওনা ওকপগী থৌরম অদুদা বি জে পি হৈরোক মন্দলগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ চৌরজিৎ, হৈরোক জিলা পরিষদকী মেম্বর টি নুংশি অমদি পোল্লিং ষ্টেসনশিংগী থৌ পুবশিংসু শরুক য়াখি।

## এম পি পিগী কেসশিং পূন্না লিষ্ট ...

*লামায় ১গী মখা...*অসিগী মায়কৈদগী তৌরকখিবা সবমিসনশিং তাখি। লোয়ননা কেভিএটরগী মায়কৈদা লেপখিবা সিনিয়র কাউন্সেল ৱাই নিরমোলচান্দগী মায়কৈদগী তৌরকখিবা সবমিসনদা কোর্টনা লৌখৎলক্লিবা সিভিল রিট পিটিসন অসিগা মরী লৈনবা কেভিএট নম্বর ১৫৩ ওফ ২০২১ ফাইল তৌরক্তুনা লৈরে হায়বগা লোয়ননা কোর্টনা সিভিল রিট পিটিসন অসি লিষ্ট তৌরকপদা কেভিএট অসিবুসু পূন্না লিষ্ট তৌনবা প্রেয়র তৌরকখি।

অমরোমদনা, অতোপ্পা কাউন্সেলশিংগী মায়কৈদগীসু কোর্টনা লৌখৎলিবা পিটিসন অসিগা মরী লৈনবা অতোপ্পা রিট পিটিসনশিংসু হৌজিক কোর্ট অসিদা পন্দুনা লৈরি হায়নরকখিবগা লোয়ননা মথংগী কেস অসিগী ৱায়েল চথগদবা নুমিৎতদি কেস পূম্নমকশিং অসি পূন্না লিষ্ট তৌবীনবা সবমিসনশিং তৌনরকখি।

কোর্টনা কাউন্সেলশিংগী ৱাফমশিং তারবা মতুংদা ঙরাং লৌখৎখিবা রিট পিটিসন (সিভিল) নম্বর ৫০৬ ওফ ২০২১ অসিগা লোয়ননা মরী লৈনরিবা রিট পিটিসনশিং - ৬১২ ওফ ২০২০, ৭০৪ ওফ ২০২০, ৭১৪ ওফ ২০২০, ৭১৬ ওফ ২০২০, ৩৫৪ ওফ ২০২১ অমসুং ৩৫৭ ওফ ২০২১গা কেভিএট পিটিসনশিংগা লোয়ননা লাক্লিবা থা অসিগী ২৪দা পূন্না কোর্ট অসিগী মোসন আইটেমদা লিষ্ট তৌনবা দিরেক্সন পীখি।

সবস্ক্রাইব তৌবীয়ু মীৎয়েং তাবীয়ু

"CINE TV MANIPUR"

FILM FORUM MANIPUR অমদি AMFIMPA গী মীৎয়েংগা লোয়ননা শন্দোক্লিবা CINE TV Channel অসি ISTV গী Pay Channel SD-112, HD-125 অমদি IMPACT TV গী Basic Channel SD-111, HD-705 তা উবা ফংবীগনি। মণিপুরী ফিল্মগা মরী লৈনবা অমদি লমদম অসিগী আর্ট এন্দ কলচরগী অখন্নবা থৌরম কয়া শন্দোক্লিবা চেনেল অসিবু অদোমগী LCO শিং উনবীদুনা ঙসিমক সবস্ক্রাইব তৌবীরগা মীৎয়েং তাবীয়ু। অনৌবা থৌরম কয়াসু হাপচিনবগা লোয়ননা লমদম অসিগী ফিল্ম চাওখৎনবগী পান্দমদা অনৌবা চেনেল হাংদোক্তুনা অথুবা মতমদা Film Premiere Show উৎনবসু হোৎনজরি।

Cine TV Manipur. Cine TV Manipur.

HL/P/9386-21,22